# মালেমদা ফিদা কল্লিবা মণিপুরগা মরী লৈনবশিং য়োকখৎপীবগী মথৌ তারকপা -২

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লূৱাং**







**মালেমগী** থাক্তা পাঙথোকপা বোক্সিং মশান্নদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিং খুদম ওইনা, এম সী মেরিকোম, লাইশ্রম সরিতা, লাইশ্রম দেবেন্দ্রো, দিঙ্কুনচিংবা লৈরিবসিদা গোল্ড মেদল হন্না লৌরক্লিবী মেরিকোম নত্তনা অতৈদি থোইনা মনা-মথুম পীদুনা তুংগী পুন্সিদা হেন্না মায় পাকপা ওইরক্কবা পূক্নিং থৌগৎপীবা লৈতে হায়বা য়াই। মেদল লৌদুনা মশা-মশাগী ওইবা একাউন্ট হাংখ্রবনিনা মখল মথেল কয়াগী ইন্সেন্টিভ পীবিফম থোকই, মসি তৌহঞ্জনীংই হায়না থমজগে। মখোয়দা নত্তনা ইনখৎলক্লিবা/ইনখৎলক্লিবী কয়াবুসু তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংদা ফাওগৎলক্কবা পীবা য়াবা মতেং মখল শুনা পীহঞ্জনীংই। য়েংবা য়ারিবদি কুমজা ১৯৯৫দা চাইনাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা কর্নাম মালেশ্বরিনা গোল্ড মেদল লৌখ্রবা মতুং চহী ২২শুবদা হায়বদি কুমজা ২০১৭কী নবেম্বর ২৫দগী দিসেম্বর ৫ ফাওবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী অনাহেমদা পাঙথোকখিবা সেনিয়র ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা ইনিদয়াগী মহুৎ শিল্লগা কেজি ৪৮গী কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল লৌরকখিবী মণিপুরগী শান্নরোয় সাইখোম মিরাবাই চনুদা ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা নোংথোম্বম বিরেন্না মিরাবাই চনুবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারী ২৭তা লুপা লাক্ষ ২০ পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখিবসিদগী হেন্না ময়োল লৈঙাক্না সাইখোম মিরাবাই চনুবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা সিভিলিয়নগী খ্বাইদগী ৱাংবা এৱার্দ পদ্মশ্রী, জন্যুৱারী ২৫, ২০১৮দা পীখিবসিগী মথক্তা শেলগী ইন্সেন্টিব ওইনসু খরা চাউনা পীহন্নীংই। মরমদি মহাক্না (মিরাবাই চনুনা) মালেমদা মীংচৎ পুরকখিবসি মণিপুর মচা অমা ওইরগা ইন্দিয়া অপূনবগী ওইনা মীংচৎ পুরকখিবসিগী য়েংবিরগা। মসিগুম্বা মশান্নসিদা নত্তনা মণিপুরদা মমাঙঙৈ মতমদগী শান্নদুনা লাক্লবা থাঙ-তা, মুক্না-কাঙজৈ, য়ুবী লাকপী, শরিৎ-শরাৎকী শক্তম অমসু ওইরিবা মুক্নাগুম্বা মশান্না রেসলিং - মৈতৈ/মীতৈ মচাশিংদি মুক্নাগী লোংখ্রৌ কয়া মণিপুরগী মুক্নাগী লম্বা মকোক (যাত্রা হায়নরিবসি) ওইরিবশিংদগী ফজনা তমহন্নবা থৌরাং ষ্টেট অমদি ময়োল লৈঙাকশিংনা শিনঞ্জহন্নীংই। অদুগা য়ারবদি মণিপুরগী য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা মশান্নশিংসি মালেমগী থাক্তা চাংদম্নবগী মশান্না অমা ওইবা য়ানবা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড ওলেম্পিক এসোসিএসন্নচিংবনা মালেমগী ওইবা থাক্তা মরম চানা পুখৎতুনা অনৌবা শান্নবা মখল ওইনা হাপচিনবা য়ানবা হোৎনজহন্নীংই। মতাং অসিদা অখন্নবা পনবা য়াবদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী ফি ওইনা সেন্ট্রেল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অমা লিংদুনা শান্ন-খোৎনবা পামজবা মীওইশিং, দিসিপ্লিন কয়াদা হাংদোক্লবা হোৎনবদা মফম মরাং খঙদনা য়েৎনদুনা লৈরিবসি কনামত্তগী ইথিল চঙহন্দনা লৈঙাক্লোই অনীনা অথুবা মতমদা য়ুনিভর্সিটি লিংবিদুনা, ইন্দিয়াগী মীংচৎ মালেমদা পুরকপা ঙমগদবা শান্নরোয়শিং মশক খঙদোক্লগা য়োকখৎনবা হোৎনজহন্নীংই।

মমাঙঙৈ কংলৈপাক কৌণ্ডৈদগী চৎনদুনা লাক্লবা লাইনীং লাইশোন, চৎনবী ইনাৎ কয়ামরুম্বু তুংওইনরগা লমগী ষণনা মচি শাংবোই নীংদুনা হায়বদি নোংচুপলোমদগী মীচেন ওইনা চঙশিল্লকখিবা ময়াং হিন্দুশিংবু পূক্নিং থৌগৎলুবগী মহয়না ইরমদমগী ইশাগী লাইনীং লাইশোন, চৎন-লোনচৎ শেংনা চৎচনীংবা কাঙবুগা মীরম লাইনীং লোনচৎ মদুসু মতৌ তম্বগী তম্বা মীরমদুদগী হৌরকপা মওংদুদা তৌবসু নত্তবিদা ইরমদমগীগা খরা তোৎশিন্নরগা শিংজু লাইনীং ওইনা চৎনবা হোৎনবা কাঙবুগা অনীগী মরক্তা হৌজিক খুন্নাইসিদা লৈরিবা উরিবা লাইনীং লাইশোনগী মচৎসি চয়েৎনবা অমনি হায়বসি লোয়না খঙনৈ। খুদম, মণিপুর-মৈতিংঙু পামহৈবগী পংথখিবা তাঞ্জাদা মীরমচানা য়াম্না উশিৎ থওইদনা থোনখিবা মিং 'গরিবনিৱাজ', মণিপুর কৌশিল্লবা মতুংদা মণিপুরেশ্বর মহারাজকা হায়জিনদুনা থমায়শনখিবা তাঙ্কক হৌজিক্তা ফোঙ-ফোঙ শানা নীংশিংলকই। মশু ইবুংঙো ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদনা খম থেংনা হিন্দু লোনচৎ মরা চেৎহনখি। মতমদু নিংথৌশিংগী মায়োক্তা মীচম মীয়াম্না থৌনা ফনা ৱাকৎপা লেপ্পা ঙম্ফাৎখিদবা মতম ওইখিবনা, ঙাক্লৌ চৈঙাক পীরগা হিন্দু লাইনীং মশা মরেং ফলহনখিবা মতাংনি। মতমদুদা হিংখিবা মৈতৈ/মীতৈ মচা অয়াম্বসু নিংথৌগী চৈরাক ফংনীংদবগা লোয়ননা নিংথৌনা য়াবিনবা হায়দুনা থিজিন হুমজিনবা কনখিবদগী হিন্দু লাইনীংগী ইনোৎ হাপচিনখিবনি হায়বসি ইরায় লায়না খঙনরি। থমজনীংলিবা ৱাফমদি - মীরম লাইনীং খুদম ওইনা হিন্দুইজম, খৃষ্টিয়ানিটি, ইস্লামিজম, বুদ্ধিজম্নচিংবা কয়াগী মরমদা পারগা খঙজিনবা করিসু কায়দে। তৌবতবু ঐগী ঐগী ওইনা লৈবা লাইনীং লাইশোন্দু অদুম চৎলগা লোইরে। অদু ওইরবদি লৈবাক্কী খুন্নাইদা ঙসি ওইরিবা চয়েৎনবা ফীভমসি ওইরমদবা য়াই। খুদম, পন্দবা য়ারক্তবা মতাংদগী রাধা-কৃষ্ণ ময়াং হিন্দুশিংগী মীগী মপোক্তা শায়ওন তৌরকখিবা লাই নুপা-নুপীনি হায়বসি মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী লাইনি হায়বা য়াগদ্রা? ময়াংগা মৈতৈ/মীতৈগা মান্নবা মচৎ কদায়দা লৈবগে? মীগী লাইনীং লৌরুবদগী/ৱাইরুবদগী অদুক খরা মান্নে হায়বতনি। নুপা ওইবশিংগী মতাংদা ফৈজোম শেৎপদি মান্নে, খুদৈদি মখোয় শেৎতে, লোংগ্রি ওইনা শেৎলি। নুপীশিংনা শারি শেৎপদা ঐখোয়গী নুপীশিংনা থৌরম মতুং ইন্না ফনেক ময়েক নাইবা, ইনফি, খ্বাং ফনেক হায়দনা শেৎনৈ। অশি-অনা মতমদা অচম্বা মচুগী ফনেক পুংঙৌ ফনেক, চাকচা হৈজানবা মতমদা মুগা সুট শেৎনৈ-ইন্নৈ। ময়াং নুপীশিংদি মখোয়গী মন্দিরদা লাই খুরুম্বা চৎপদা, চৎথোকপদা অদুগুম্বা ফিজোল শেৎকনি হায়বা থোইদোকপা লৈতবনা পংশেৎ শেৎলগা চৎনৈ। য়াম্না লাপ্না চৎলুদ্রবসু অয়ূক ঙন্তাদা পাউনা কৈথেলগী খ্বাইরম্বন্দগী মচিন্দা লৈরিবা থাকুরবারি মন্দিরদা ময়াং নুপীশিং লাই খুরুম্বা চৎলিবশিং মানা-মানা শেৎনীংবা মচুগী মখোয়গী ওইবা ফিজোল শারি শেৎলগা চৎপা মীয়াম্না লোয়না উই, খঙই। হৌজিক ইম্ফাল ইষ্টকী লৈরিবা কোনুংগী কম্পাউন্দ মনুংদা লৈরিবা শ্রীশ্রী গোবিন্দগী অমদি শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দদা লৈরিবা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দগী মন্দিরশিংদা লাই খুরুম্বা চৎপা মতমদা ময়াং নুপীশিং লোয়নমক মানা মানা পাম্বা মচুগী শারিশিং শেৎলগা চৎলি। মখোয় হিন্দু লাইনীং চৎপা ময়াং হায়না ঐখোয়না হায়নরিবশিংনি। অদুবু মৈতৈ/মীতৈনা মরক্তা ঙসিদগী চহী চহুমসিগী মতমসিদা মীরম লাইনীং হিন্দুইজম চৎলুরে অদুবু ময়াংগী মতৌ শেংবদি তমনীংদদনা মৈতৈ/মীতৈ নুপীশিংনা পুংঙৌ ফনেক, ইনফি নৎত্রগা খরা মেংবা মচুগী ফিশিং শেৎ-ইল্লগা চৎনরি। ময়ামদগী তোখায় তাবা মৈতৈ/মীতৈ নুপী অমা অনীনগা ময়াং নুপী মতৌ তমদুনা শারি শেৎতুনা লাই খুরুম্বা নৎত্রগা মফমদুদা লাইগীদা লূকলেন ফংবা চৎপদা অতোপ্পা মৈতৈ/মীতৈ নুপী মশেল মরক্তসু অমদি নুপা-নুপী, অহল-লমনশিংনা ফোঙনা নৎত্রগা লোন্না চিবোন চিবোন ঙাঙনরিবনি। মতাংসিদদি মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী খুন্নাইগী চৎন-লোনচৎতি ঙাকনীংলকই। অদু ওইরবদি ঐখোয়না মীরমগী লাইনীং লৌরুবদগী খুন্নাইদা অমদি মালেমগী মফম কয়াদা য়ানশিন্নবা/চয়েৎনবা চৎনবী লোনচৎ মখা তানা উৎফম থোক্লিব্রা হায়বসি খন্থবা মতম থেংমল্লে। চয়েৎননা লাকখ্রবা চহী চহুম খরা হেনবগী মতমসি - মীরমগীনি হায়বসি তশেংনা খঙলবনিনা মীরমগী থাদোক্লগা ইরমদমগী হায়বদি হৌরক্লোনগী লাইনীং, লোনচৎতা পূন্না তান্নমিন্নরগা মতমগী খোঙলৈগা চুশিন্ননবা হাপচিনবা/শেমদোকপা য়াবা খরা তৌরগা মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ফুরুপ অমা মালেমসিদা মতিং লৈনা লৈরকই হায়বসি ফৎতব্রা হায়বসিনি হংনীংলিবা ৱাফমদি। মৈতৈ/মীতৈগী চৎনবী-লাইনীং লাইশোন, চৎন-লোনচৎ অমুক মীপূম তিংনা চৎপদা ইকায়নীংঙাই করিসু লৈতে। হেন্না ইকায়ফম থোকপদি ইনাৎ নত্তনা মীনাৎ শারুবসিনি। অমুক য়েংসি মীরমগী লাইনীং হিন্দুইজম ওইরে হায়দুনা খুন্নাইগী বামোন, মীরম লাইনীং পামজনা চৎলিবা মৈতৈ/মীতৈ কাঙবুশিংগী য়ূমশিংদা য়ূমগী লাই-লাইনিংথৌ সনামহী লাৎপদি তোক্তে। থৌদোক ৱাথোক, থৌরম অমদি অরুবা তাংফমদা য়ূমলাই ওইরিবা অমদি মমা ওইনা নাওকোলবিরিবী ইমা লৈমরেল শিদবীবু থৌনীজদবা, নীংজদবা করম্বা ইমুং খুন্নাইদা লৈরমগদগে? লমদমসিদা লৈরিবা হিন্দু লাইনীং চৎপা ময়াংশিংগী য়ূমদদি লমদমসিগী লাই লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী লাৎতে অদুগা রাধা-কৃষ্ণ নৎত্রগা হিন্দুগী লাই খরদি শোয়দনা লাৎলমগনি, খুরুমজরমগনি। মতৌ অসুম্না লমদমসিগী মৈতৈ/মীতৈ খুদিংগী য়ূমদদি লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা লৈমরেল শিদবী অনীগী খুভম শোয়দনা থমদুনা অয়ূক অমদি য়াচংবা মতমদা অনীরক্তি মৈবা-মৈরা, মনম (ধুপ)/মেক্রুক কৎতুনা খুরুম খাজংজৈ। শম্না হায়রবদা মান্নদবা মচৎ অনীবু করম্না পূনশিন্নবা য়াগদগে। খ্বাইদগী মরিং মরাংবা অমদি লমদমসিগী হান্না লৈজরম্বা লাইফমলেনশিংদা মীরমগী লাইগা খরা নক্লনা মান্নবা লাই নুপা, লাই নুপী হেক্তা মমাঙঙৈগী নিংথৌনা অয়াবা পীরুবদগী মমিং ওন্থোক্লগা লাৎশিনবসিনি। মতমনবুদি পুরক্তুনা নোংমা নোংমগী অহোংবা অওনবা শোয়দনদি লাক্লগনি, উবসু ফংলক্লগনি। হায়রিবা থৌওংসিমক ময়োল ষ্টেটতা রামগী মন্দির অমদি ব্রাবি মসজিদ অনীগী ৱাথোক হৌজিক হৌজিক লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা এপেক্স কোর্ট সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা ৱায়েল চথনবা ঙাইদুনা লৈনরিবসিনি। হৌজিকসু ষ্টেটসিদা হিন্দুইজম য়োকখৎনবা লূপ কয়া লৈরি, মপানগী হিন্দুগী লূপ কয়ানা মতেং পাংলি, লৈঙাক্কী ওইনসু অকনবা মীৎয়েং চঙনবা, হেদ ওফ ষ্টেট ওইরিবীনসু চৈঙাক পীনবা কন্না লেপ্তুনা হোৎনরি। খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি ময়োল লমদা হিন্দু অমদি ইস্লাম অনী অকনবা লম্বা ওইনবদা লমদমসিদনা হিন্দু অমদি ইনাৎ লাইনীং-ইনাৎ লাইনীংনা অহুমশুবা ফ্রন্ট অমা ওইবনা নমথনবা হোৎনবসি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। লো ওফ দি লেন্দ লৈবা অদুম হায়না রিলিজন ওফ দি লেন্দ ঙাক শেন্দুনা থম্বগী তঙাইফদবা লৈ হায়বসি ইরৈচা খুদিংগী লেংফদ্রবা ইথৌনি।

---

# এদেদ অমদি লৈঙাক্কী স্কুলদা মহৈরোয় হন্থরকপা

**এম থম্বৌ**

**মণিপুর** লৈঙাক্কী মখাদা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়া লৈরিবা অসিদা লৈঙাক্না নম্মোন ওইনা চহী কয়া লিশাং শিৎনা থন্বীরক্লি। মণিপুর লৈঙাক্না অকিবা ফংবা শেনফম কয়া কায়থোকপীদুনা য়ামখ্রবা ওজা কয়াগী তলব পীবিরি। অদুবু হায়রিবা স্কুলশিং অদুদা ওজা ওইদুনা থবক তৌরিবা থৌমীশিং ঙসিগী লৈঙাক্না মথৌদি অমত্তা তৌহন্দনা অরেম্বদা তলব পীদুনা থন্বীরব্রা হায়বগী চিংনবসু লৈ। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাং ওইবা য়াবা শেনফম কয়া মাঙহল্লব্রা হায়নসু লমদমসিগী মীওই কয়ানা চিবোন-চিবোন ঙাঙনদবা নত্তে।

থবক শুকশু শুদনা লেম্না ময়ূম ময়ূমদা ফমদুনা অতোপ্পা মশাগী থবক কয়া হাইদোক্তুনা তৌবসু য়াওদবা নত্তে। মণিপুরগী মনুংদা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল ময়াম লৈরিবা অসিদা করম্বা মহৈলোইশঙদা মহৈরোয় কয়া তমদুনা করম্বা মহৈরোয় পুথোকপা য়াওখ্রবগে? মহৈলোইশঙ কয়া মহৈরোয় অমা অনী লৈবা নত্তনা শুকলৈ লৈতবসু য়াওরি। মসিদা ঐখোয়না নৈনবা য়ারিবদি লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলদা ওজা ওইবা কয়াগী মচা মশুশিং অতোপ্পা লন্নাই স্কুলদা থাদুনা মহৈ তমহনবীরি। মখোয়না তাকপী তম্বীবা থাজদবদগী মখোয়গী মতৌ কয়াদু উরুবদগী লৈঙাক্কী থবক তৌহৌদ্রবা, ওজাসু ওইহৌদ্রবা করবালৱালা কয়াগী মচা-মশুশিং লন্নাই মহৈলোইশঙতা থাদুনা মহৈ তমহন্নরি। মসিদা ঙসিগী লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল করম্না হিংদুনা লৈফম থোকপগে?

মসিনা মরম ওইরগা স্কুলশিং অসিদা মহৈরোয় লৈতনবা মচাক ওইরকপনি। অসিগুম্বা অরানবা কয়া অসি তৌদনবা ঙসিগী অনৌবা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা কুমজা ২০১৭কী লৈঙাক পায়বা হেক হৌরকপদগী মাগী মাগী পায়গদবা ফম পীখিবগা হায়খিবা ৱাফম, মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থবক তৌরিবা স্কুল এদ্যুকেসন্দা নত্তনা অতোপ্পা লোইশঙ কয়াগী মচা মশু খুদিংমক লন্নাই স্কুলদা থাবা য়ারোই, লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলদা থাগদবনি হায়বা অসি ঐখোয়না নীংশিংবা য়াই।

হায়রিবা ৱাফম অসি মতম অদুদদি মী পূম্নমক মাগী মাগী খুদোংচাবা য়েংদুনা লন্নাই মহৈলোইশঙশিংদা মীং চনখ্রবনি। অদুবু ৱাফম অসি হন্দক্কী কুমজা ২০১৮গী সেসন অসিদদি মদু চৎনবা ঙমহনগদ্রা নৎত্রগা ঙমহল্লোইদ্রা? ঙসিগী লৈঙাক্কী এমপ্লোয়ী খুদিংগী মচা অমা ফাওবা লৈঙাক্কী মহৈলোইশঙ তমহন্দব্রা খল্লি। অদুদি মখোয়বু লেম্না তলব পীদুনা থম্বগী কান্নবা অসিবু করিনো?

মরম অসি লৈবনা ঙসিগী লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়া য়েংশিনবীদনা লৈরিবনি। লৈঙাক্কী মহৈলোইশঙ কয়া ফগৎপগী মহুৎ শঙ কয়া কিন্থবা, তেকপা, নাপী শোংজিন্দুনা মী চঙবা কিনবা অমদি কাঙ্খ্র-থাঙ তাদুনা লৈবা ঐখোয়না থেংনরি।

অমরোমদা কুমজা ১৯৮০গী ওক্টোবরগী অহানবা তারিখতগী গ্রান্ট পীবিদুনা থন্বীখিবা স্কুল ৬০৫ অসি ঙসি ফাওবদা লৈরকপা লৈঙাক্না ফহনবগী মহুৎ ফহন্দনা থন্বীরিবা অসি ঐখোয় লোইনা খঙলবা উরবা ঙাক্তনি। সেন্তরগী তরুকশুবা আর ও পি পীবিয়ু হায়বসু য়াদবা, অনৌবা পোষ্ট পীবিদুনা ফগৎনবা তৌবিয়ু হায়বসু য়াদবা, অৱাবা কয়া খাঙদুনা ওজা ওইবগী পুন্সিদা কৎথোক্তুনা লাকখ্রবা অহল ওইরক্তুনা পোত্থাখ্রবা কয়াগী পুন্সিনা হিংনবগী লন্বী পীবিদনা পুকচাক থদৎতুনা থন্বীরি। মসিদা হিংনবা লন্বী পেন্সনগী শেনফম ওইনা খরা খরতা ওইরবসু পীবিনবা হায়জবসু ঙসি ফাওবদা মথং মথং লৈরক্লিবা লৈঙাক্না উকংনা শাবা হংগী লাইগুম তাবিদবা হায়বসি লাইবক থীবনি।

মসিদা থমজনীংবা ৱাফমদি লৈঙাক্কী লোইশঙ কয়াদা থবক তৌরিবা কয়াগী মচা মশুগী মতৌ তমদুনা লায়রবগী পনখৈদা লৈবা কয়াগী ইমুংগী অঙাংসু লন্নাই স্কুলদা থাবদা শেল থুমগী অৱাবা কয়া মায়োক্লহল্লি অমদি অসুক্কী মতিক শোকহল্লি। ঙসি ঙসিমক বি পি এল কার্দ শাবা মতমদদি মণিপুরদা লৈরিবা মীশিং ২৮,৫৫,৮০০ খরা হেনবা কুমজা ২০১১গী মীকোক থিবগী মতুং ইন্না লৈরিবা অসিদা মীওই খরা নত্তনা অয়াম্বা শরুক্তি বি পি এল কার্দ তান্নবা ঙাক্তনি। মসি মরী লৈনবা লোইশঙনা লোইনা খঙগনি।

নাকল অমদনা লৈতবনি লায়রবনি হায়বা, নাকল অমদনা ইনাকখুনবগী মতৌ তমদুনা লন্নাই স্কুলদা অচৌবা শেনফম পুথোক্তুনা মচাশিং তমহল্লি। অদু ওইরবদি মণিপুর লায়রবা লৈতে, ইনাক খুনবা ঙাক্তনা খুল্লিংবা লমদমনি হায়বদা অরানবা ওইরোই। কান্নবা লৌরমদাইদনা লায়রবনি হায়বা, নাকল অমদনা ইনাকখুনবগী মতৌ তম্বা, মসিদবু অফবা মণিপুর অমা করম্না ওইগনি?

চিন্দনা করপসন থিংগনি, শেঞ্জা থুমজা লৈহল্লোই হায়বসি মসিদগী হেনবা শেঞ্জা থুমজা মালেমদা লৈতে। মথক্কী পূম্নমক অসি থিংবীগে হায়রবদি লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়াগী খরা হেন্না ফগদবা থৌশিল কয়া শেম্বীবা, লৈঙাক্কী স্কুল খুদিং মী ৫ নৎত্রগনা ৭না শাবা কম্মিটি অমা থন্বীবা, থবক্তগী পোত্থারবা হেদ মাষ্টরগুম্বা অমা থৌ পুহন্দুনা হায়রিবা থৌমীশিং অদুদা মথৌ ফজনা পীবিদুনা য়েংশিনহনবা, লৈঙাক্লসু অৱাৎ অপা লৈহন্দনবা থৌশিল থৌরাং কয়া শেম্বীবা অদু ওইরবদি খরা ফগনি। মদু পূম্নমক ঙম্লোইদবা লৈরবা লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী মচা মশু ওইরিবা মহৈরোয় কয়া অসি লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুলদা তমহনবা ঙমলোইদবা লৈরবদি মথৌ তৌদনা লেম্না তলব চারিবা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল কয়াগী ওজা পূম্নমক অতোপ্পা লোইশঙ কয়াদা থাংদোক্তুনা শীজিন্নবিদুনা লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল পূম্নমক পুংমুৎ মুথৎপিরো, লন্নাইগী স্কুলখক্তং থন্বীবনা হেন্না অফবা থৌশিল ওইফম থোক্লে।

মরমদি মথৌ তৌদনা লৈঙাক্কী পৈশা ময়াম অমা লেম্না তিংহনবনা করি কান্নবা পুরক্কনি হায়বা হীরম অসিদা খরা নৈনবা চঙই। পূম্নমক অসি য়েংলুরগা ঙসিগী লৈঙাক্কী লোইশঙ খুদিংগী থৌমী পূম্নমক্কী অঙাং খুদিং লৈঙাক্কী মহৈলোইশঙ খুদিংদা তমহনগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু ঙমদ্রগনা হন্দক্কী কুমজা ২০১৮গী সেসন হৌগৎলকপা অসিদগী লৈঙাক্কী অমদি এদেদ স্কুল মুথৎপনা হেন্না ফরগনি খল্লি।

---

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৬৫

১। মখাদা পীরিবা ৱাহৈ অনীসি মীতৈ থাচৎকী অরিবা মমিংশিংনি। হৌজিক্কী মমিংদা ওন্থোকউ : (ক) থবি (খ) চিনবী

২ । "চরুগী মী/মশাসু চরুনা শাবা/মকোকসু চরু ঙাক্তা ঙায়বা" পরেংশিংসি 'চরুগী মী' কৌবা শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৩ । "তারিবরা হিংচাবী/নঙগী রাজকুমারদো ডাক্তর নুপী অমগা লুহোংখিদৌরে।" পরেংশিং অসিনা মোইরাংথেম রাজেন্না ইবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "অফাবা মশমদু তনখোম খোমগৎতুনা চেৎনা পুনশিনখি। মিৎনা কূপ্পদা...থাঙদু লৌরগা...মপূরোইবগী মথবাক্তা থূম্না থিংজিনখি।" পরেং অনীসিনা 'পনখৈদুগী ৱাংমদা' কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। তেলেগু কবি এন গোপিগী শৈরেং লাইরিকপু মণিপুরীদা 'মতম্বু ঐনা তূমহল্লোই" হায়না হন্দোকখ্রে। হন্দোক্লোইদু কনানো?

**মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।**

---

## মরোল থোকপা লাই

